

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, OCTOBER 25, 2018 PAGE 7


*মালেমগী ক্রিকেটকী ওদিআই ফোর্মেটতা খ্বাইদগী থুনা রন ১০,০০০ লৌবগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ভিরাট কোহলি*

*কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্ট থাদা য়ুরো মিলিয়ন ২৩ দা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিদা য়াওরকখ্রবা মতুং ক্লব অসিদা মখা তানা চহী ৫ কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা স্পেন মচা মার্কোস এলোন্সো*

## ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কেহালিনা আওট ওইদনা রন ১৫৭ লৌখ্রবসু ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচ দ্রো চৎখ্রে



*ভিসাখাপত্নম, ওক্টোবর ২৪ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ৱান দে সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি ভিসাখাপত্নমদা শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা আওট ওইদনা রন ১৫৭ লৌখ্রবসু মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে অদুগী টোচ ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অপীবা ওভর ৫০ শান্নরকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩২১ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রোহিট শর্ম্মা অমসুং সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা শুপ্নগী রন ৪ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি শান্নবা চঙলকখি।

ধৱন অমসুং কোহলিনা ইনি দয়াগী স্কোর অদু ৪০ য়ৌহল্লকখি। অতোপ্পা ওপনর ধৱনসু রন ২৯ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী মরিশুবা বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদু ইন্নিংস শান্নবা মখা তানা চঙলকখি।

কেপ্টেন কোহলি অমসুং অম্বাতি রায়ুদুনা য়াম্না ফজবা পার্টনরর্সিপ অমা শেমদুনা ইনি দয়াগী স্কোর অদু রন ১৫০ লাম্হোকহনবা ঙমখি।

অম্বাতি রায়ুদু বোল ৮০ মায়োক্লবদা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৭৩ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ১৭৯ শুরকপদা ৱিকেট ৩ তুখি।

নৌনা চঙলকখিবা ৱিকেটকিপর বেটসমেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনিসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২০ হাপচিনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা আওট ওইদনা বোল ১২৯ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১৩ য়ৈরম্লগা রন ১৫৭ লৌরম্বা অদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ৩২১ য়ৌরকখিবনি।

মায় পাক্লবগী রন ৩২২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩২১ লৌখিবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস কৈরান পোৱেল অমসুং চন্দ্রপোল হেমরাজনা হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা রন ৩৬ লৌরমখি। চন্দ্রপোল রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন সাই হোপনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা আওট ওইদনা রন ১২৩ লৌরমখি। মঙাশুবা বেটসমেন সিমরোন হেটমায়রনা রন ৯৪ লৌরম্বা অদু নত্তনা মখা তাবা বেটসমেনশিং রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯

## এফসি গোৱানা মুম্বাই সিটিবু ৫-০ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

*পানাজি, ওক্টোবর ২৪ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এফসি গোৱানা মুম্বাই সিটি এফসিবু পাঞ্জল ৫-০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী টেবলদা পোইন্ট ৭ ফংদুনা গোল দিফরেন্সতা বেঙ্গালুরু এফসিদগী হেল্লগা মকোক্তা লৈখ্রে।

ঙসি গোৱাগী কোনুং পানাজি দা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা গোৱাগী শান্নরোইশিংনা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা থম্বা ঙমখি।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা এফসি গোৱানা ফংখিবা পেনাল্টি অমা কোরোমিনাসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা হেল্লগা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরক্লবসু মায় পাকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু ০-১ দা শোন্থরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা এফসি গোৱাদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা জেকিচান্দ সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা হেনবা ঙমখি।

মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইদু বেদিয়ানা পাঞ্জল অমা হাপচিনবা ঙমদুনা মুম্বাইবু ৩-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা এফসি গোৱাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা মিগুয়েল পালানকা ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা গোৱাগী শান্নরোই মিগুয়েল পালানকা ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫-০দা মুম্বাইবু থোইদুনা গোল দিফরেন্সতা বেঙ্গালুরু এফসিদগী হেল্লগা পোইন্ট ৭ ফংদুনা টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

## এএফসি ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ক্কালিফায়র ২০১৮ গী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ১৮-০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*চোনবুরি, ওক্টোবর ২৪ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা এএফসি য়ু-১৯ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ক্কালিফায়রগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১৮-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংনা পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী অনীশুবা মিনটতা ইনি দয়াগী শান্নরোই মনিসানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ৯শুবা মিনটতা টিমমেট দেভনেটানা অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মনিসানা ২৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মিনট অমা লাম্থোক্লিঙৈদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই দেভনেটোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪-০ দা পাকিস্তানবু হেন্দুনা লৈখি।

পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা ইনি দয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা দায়া দেবীনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা পাকিস্তানগী গোলকিপর ইমান ফেয়াজনা শোয়বদগী পাঞ্জল অমা চনশিনজখিদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকন্দবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৭-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পাকপি দেবী অমসুং কেপ্টেন জাবামনিনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু খূৎ হনবা ঙঞ্জোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৯-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা এটেক কয়া তৌশিন্দুনা পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ইনি দয়াগী শান্নরোই মনিসা অমসুং দায়া দেবীনা পাঞ্জল অনী চনশিনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইনি দয়াগী শান্নরোই রেনুনা য়াম্না থুনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা পাঞ্জল ৫ চনশিন্দুনা ১৬-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৯ অমসুং ৭৭শুবা মিনটতা ইনি দয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রোজা দেবী অমসুং সোমিটা গুগুলোথনা পাঞ্জল অমমমগা চনশিন্দুনা এএফসি য়ু ১৯ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ক্কালিফায়রগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ১৮-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়ানা এএফসি য়ু ১৯ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ক্কালিফায়র অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২৬ তা নেপালগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়ানা জোর্দানগা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা সেনিয়র ফুটবোল টিম্না জোর্দানগা অহানবা ওইনা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা সেনিয়র ফুটবোল টিম অসিনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী শেম শাবা ওইনা জোর্দানগা মথং থাগী ১৭ দা লৈবাক অসিগী কোনুং অমানদা লৈবা কিং অব্দুল্লা সেকেন্দ ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি হায়না ঙসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন(এআইএফএফ) না কনফার্ম তৌরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি হৌজিক-হৌজিক ফিফা রেঙ্কিংদা ৯৭শুবদা লৈরি অদুগা জোর্দাননা ১১০শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

## দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসতা এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং স্লোনে ষ্টেফেন্স মায় পাকখ্রে



*সিঙ্গাপোর সিটি, ওক্টোবর ২৪ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী মেটচশিংদা নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং ৫শুবা সিদেদ য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্স মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা রেদ গ্রুপকী সিঙ্গলসকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা জপানগী নাওমী ওসাকাবু সেট ২-১ দা থোইখি।

অহানবা সেট কর্বরনা ওসাকাবু ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা শান্নরোই অনীমক পোইন্ট ৫-৫ দা মান্নরম্বদগী ওসাকানা গেম অদু লৌখিবদগী ৭-৫ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেটতা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা অহুমশুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকাবু ৬-৪ দা থোইরমখি।

রেদ গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সিঙ্গলসকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ৮শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সসু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭-৬(৭-৪), ২-৬, ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোলদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি, স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদ, ইটালিগী রোমা অমসুং জুবেন্টস মখোয়-মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে



ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটস্কনা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী মেটচ অমা

*কিএভ। মাদ্রিদ, ওক্টোবর ২৪ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগতা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি, স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদ, ইটালিগী ক্লব রোমা অমসুং জুবেন্টস মখোয়-মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' গী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী চেম্পিয়ন ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটার দোনেটস্কপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অদু হৌবদগী ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল দেবিদ সিলভানা চল্লবা মতুং ৩৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই আইমেরিক লাপোর্টেনা অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাক্লবা মতুং ৭১শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টের সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা বর্নর্দো সিলভানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'জি' গী মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদনা জেক রিপব্লিক্কী ক্লব ভিক্তোরিয়া প্লিজেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

১১শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই কারিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৫৫শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই মার্সেলোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা ভিক্তোরিয়া প্লিজেনবু হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা ভিক্তোরিয়া প্লিজেনগী শান্নরোই পেত্রিক রোসোভস্কিনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ভিক্তোরিয়া প্লিজেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'জি' গী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব রোমানা রুশিয়াগী ক্লব সিএসকেএ মোস্কোবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

রোমাগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩০ অমসুং ৪৩শুবা মিনটতা ইদিন জেকোনা অনী অমসুং ৫০শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই চেঙ্গিজ অন্দরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ঐচ'কী মেটচ অমদা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসনা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

জুবেন্টসকী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা পাউলো দিবাবানা চনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী ক্লব এজাক্সনা পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

## ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়া পাঞ্জল চন্নখিদ্রবসু গ্রুপকী মকোক মথং তাদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে, কোরিয়ানা ওমানবু ৪-২ দা থোইখ্রে



*মুস্কাট, ওক্টোবর ২৪ঃ*

ওমাননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং মুস্কাটতা চথরিবা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী মরিশুবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়া পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু গ্রুপকী মকোক মথং তাদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইখ্রে, অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কোরিয়ানা য়ুম্বু ওমানবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী মরিশুবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেনখ্রবসু মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপগী খুদোংচাবা পীখিদে।

অহানবা হাল্ফ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী ৪শুবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎলগা লোইশিনখিবদগী পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা গ্রুপকী মকোক মথং তারগা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়া পোইন্ট ১০ / ১০ দা মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেনখিবদগী টেবলগী মকোক ওইরগা মালেসিয়ানা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা মেটচ হয়েং অঙনবদা সাউথ কোরিয়াগা শান্নরগনি। অদুগা মালেসিয়ানা মখোয়গী অরোইবা মেটচতা পাকিস্তানগা হয়েং শান্নরগনি।

মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ রোবিনগী ৪শুবা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওমানবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ওমানগী শান্নরোই সালাহ অল-সাদিনা ফিল্ড গোল অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। কোরিয়াগী ইক্কেলাইজর অদুনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা টায়িল হৱাংনা চনবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী ১-১ দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৩৬শুবা মিনটতা ওমানগী শান্নরোই মোহমদ অল লৱাটিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সুখুন চোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫১ অমসুং ৫৯শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই জিহুন য়াং অমসুং জোংহ্যুন জাংনা পাঞ্জল অমমম চনশিন্দুনা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু পাঞ্জল ৪-২ দা ওমানবু মায়থিবা পীখি।